# ওরিজিন ওফ দ ব্লুস






রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

***হৌজিক হৌজিকমক*** মালেমগী মীয়াম্না খঙনরিবা দ ব্লুস হায়রিবা শৈশক মখল অসি করম্বা মীওই কাঙলুপশিংনা শেমখিবনো হায়বসিগী মরমদা খরখক নত্তনা চপ চানা খঙবা ঙম্নদ্রি। ব্লুস হায়রিবা শৈশক অসি ময়েক্ক া চপ চানা ফোঙদোকপা হায়বদি কনাগুম্বা ময়েক ইবশিংদগী লৌথোক্লগা নৎত্রবসু ৱাহে ওইনা ঙাঙবদগীবু ওইরবসু শৈশক অসি মতম শাংনা শক্লরকপা অমদি ওইরে। মসিগা লোয়ননা হৌজিক মতমগী শৈশক অমসু ওইরি। আফ্রিকান কন্টিনেন্টতা খোঙনবগী থবক অমা ওইনা ফুরুপশিংগী ঈশৈগী মতাংদা নৈনবা 'Gerhard Kubik' কৌবা মীশক অমনা ব্লুসগী হৌরকফম মখল মথেলগী থিজনবগা লোয়ননা করম্বা মওংদা শৈশক অসিবু মীয়াম্না খোয়দাবা ওইরক্কদবশিংগী মচাকশিংসু থিজিল্লি। লোয়না লোয়ননা শৈশক অসিবু পীল্লিবা অঙাং মচা অমগুম খন্দুনা উপু অমদা হাপ্লগা অফ্রিকান কন্টিনেন্টতা পুখিনবা কন্না হোৎনরি।

**অফ্রিকান রুটস ঃ**

শৈশক মখল অসিগী ওইবা অতৈ শৈশকশিংগা মান্নদবা মখল অমনা নাইতোম শকপদা শৈশক অসিগী মওং মতৌশিংনা ব্লুস শৈশকশিংগা য়াম্না মান্নহল্লি হায়বদি অতোপ্পা শৈশকশিংদগী তোঙানবা অমা ওইহল্লি। শৈশক মখল অসিদা ইনষ্ট্রুমেন্টল ম্যুজিক্কী ওইবা শরুক অমসুং হারমোনিগী ওইবা শরুক করিসু চিংনবা য়াওদনা চৎনবী অমা ওইনা শৈশক্লি।

হায়রিবা ম্যুজিকেল ইনষ্ট্রুমেন্ট অমসুং হারমোনি য়াওদবা শৈশক অসিবু প্রী-ব্লুস হায়না খঙনৈ। শৈশক অসি অমুবা কুচুগী (নেগ্রো) ফুরুপশিংনা মীনাই নাইথাং ওইরিঙৈদা কপ্তুনা লাউদুনা লৌবুক লম্ফাংদা শকপা ঈশৈনি। অয়াম্বা ব্লুস ম্যুজিক্কী শরুকশিং অসি য়াম্না কনবা পথাপ অমগা লোয়ননা মমাঙঙৈদা করি করম্বা ওইরম্বগে হায়বদু অফ্রিকাগী ম্যুজিক ওইগনি হায়না থিজিল্লি। মেল্লিসমা, ৱাভি অমসুং নাসলিশিং শিজিন্নদুনা ব্লুস ম্যুজিক্কী টাইমনচিংবগী অৱাংবা, অনেম্বা, বীটস, টেম্পোনচিংবশিং অমেরিকানা অশোয়বশিং য়েংশিন দুনা ব্লুস ম্যুজিকপু চাওখৎনবা হোৎনরি। থাজনবী অমা ওইনা পুৱারীগী ৱাফম্না শৈশক অসি দ ৱেষ্ট অফ্রিকাগী ম্যুজিক্কা লোয়না লোয়ননা মালিদগী হৌদোরকখি। সিনা অমুক নাথৈরক্লগা Martin Scorsese না শৈশক অসিগী শকলোনশিংবু Ali Farke গী মমাঙঙৈগী চৎনবী মতুং ইন্না শৈশক অসিবু 'The DNA of the blues' হায়না ফোঙদোকই। খ্বাইদগী হায়নিঙাই লৈতনা খোয়দাজবা অমদি তাজনীংবা অমেরিকাগী ম্যুজিক্কী খূৎলায়শিং অসিগী মপা মপুশিংদি অফ্রিকান-অমেরিকানগী খূৎলায়শিং অসি ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনৈ। হায়রিবা ম্যুজিক্কী খূৎলায় অদুদি 'Akonting', নাৎকী ওইবা শাওং শাদা মানবা খুদম ওইনা হায়জরবদা Mendolin অমসুং Lute অসি Senegambia গী Jola tribe শিংনা শিজিন্নরম্মী। Lute হায়রিবা ম্যুজিকেল ইনষ্ট্রুমেন্ট অসি অমনা ভাইওলিন্নি অদুগা অতোপ্পা অমনা Lute কৌই। খূৎলায় অনীমক তরাদা খোংবা ঙাক্তনি অদুগা মখোয়গী বোদিনা উনা শাই। খোংবনা খূৎশাশিং বো অমসুং Plactrum না খোংই।

**Influence of Spirituale :**

Religiones ওইবা ঈশৈগী মওংশিংনা খরা ওইরগা ম্যুজিকপু পামজবা খুদিংমক পুনশিন্নরগা অঙনবা ১৯ শুবা সেঞ্চুরিদা অচৌবা ব্লুস ম্যুজিক্কী ঈহৌ অমা শেমগৎলকখি। লাইনীং লম্বীগী ময়েক ওইবা ব্লুস ম্যুজিক্লা তারিবশিং অমদি তাবিরিবীশিংদা য়াম্না নুঙাইবা ফাওবা ইথিল অমসু শেন্বীবা মপূনা য়াম্না ৱানা পুন্সি মরেল অমদা লেল্লিবা মরুওইনা মালেমগী লানজাওশিংদা য়ুরোপিয়নশিংনা জহাজদা হাপ্লগা পুখিবা অদুগা অমেরিকাদা মীনাই নাইথাং ওইনা অৱা অনাতনা থল্লবা পুন্সি লেল্লিবা কুচু মুবা ফুরুপশিংগী (নেগ্রো) ওইনা লাইনীং লম্বীগী ময়েক্তা ইবা ব্লুস ম্যুজিকপু তাজরগা মখোয়গী থম্মোয় ঈংথবা অমসুং তপথবা ওইরি। কনা কনাগুম্বা শৈশকপা শৈশকপীশিংদি লাইনীং লম্বীগী ঈশৈশিং শকপগী মহুত্তা মখোয় মখোয়গী ওইবা চুশিন্নবা ঈশৈশিংগী ময়েক শক্লদুনা মীয়াম্বু পেলহন্নবা হোৎনৈ, হায়রিবা ঈশৈশিং অসি পোপ্যুলর ব্লুস ম্যুজিক ওইফম থোকই। মরম অসিদগী লাইনীং লম্বীগী ঈশৈশিংনা থম্মোয় ঈংথবা অমদি অৱাবনা পুবা থাংবা ঙমদ্রবা কুচু মুবা মীনাই নাইথাংশিংদা করিগুম্বা পূক্নিং চরাংনবা অমদি শোয়দনা ফাওরমগনি। লাইনীং লম্বীদা ইরিবা ঈশৈ ময়েকশিংসিগা অতোপ্পা ঈশৈ ময়েকশিং হায়বদি লাইনীং লম্বীগী ঈশৈ ময়েক ওইদবশিং অসিগা ঈশৈ ময়েক মখল অনী অসি য়াম্না লায়না খায়দোক্ল বসু য়াদ্রি। লাইনীং লম্বীগী ওইবা ঈশৈ ময়েকশিং অসিবু ব্লুস হায়না কৌবা য়াই। মরম অসিনা লাইনীং লম্বীগী ওইবা ব্লুস ম্যুজিক্লা অয়াম্বা মতম ঈশৈশিং অসি শকই।

**Growth of the blues (1920s onward) :**

ব্লুস ম্যুজিক্কী অহানবা শিনফম ওইনা শৈশকপশিংগী মরক্তা Ma Rainey সু অমা ওইখি। মহাক্লা Blues গী Coined গী মনা অদু পীবিয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা নিজখি। চাওখৎপা (অর্বান) মফমদা লৈবা ক্লাসিক ব্লুস শৈশকপশিং নৎত্রগা vaudeville blues শৈশকশিং অসি 1920s দা য়াম্না ফাওরম্মী। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা Mani Smith, Gertrute Ma Rainey, Bessie Smith অমসুং Victoria Spivey অসিনচিংবশিং অসিনি। 75,000 copies থা অমখক্তংদা য়োনখিবী নুপী শৈশকপী অসি অহানবা অফ্রিকান - অমেরিকানগী Blues গী রেকোর্দ ১৯২০ দা নমখি। হায়রিবী নুপী শৈশকপী অসিগী মমিংনা Mamie Smith কৌই।

মতেং লৌখৎচখিবশিং ঃ-

১) Origin of the blues

২) অইবনা থিজিঞ্জবশিং।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অশোয়বা অমা লাকপদা লৈঙাক্তা তাইনগনি খনবা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***অশোয়বা*** অমা লাকপদা লৈঙাক্তা তাইনগনি খনবা মসি ঙাক্তা ঙাইরকপসিনা ঐখোয়সি মমৈদা করিদা লাক্কদৌরিবা? এম আর পিদা থারিবা পোৎতুগী মমল অদুমক লৌদবা য়াদে খনবা দুকান মশীং থিবা ঙমদনা লমদমসিদা লৈতবা নত্তে। মসি নৎতবদা এম আর পিদি থাবা পোৎতুগী মমলদি থাদবা মসিনা মরম ওইরগা দুকান্দারদুনা লৌনীংবা মমল লৌবা মসিসু হৌজিক হৌজিক ফোং-ফোং শানা চৎনদে করম হায়গনি। থকপা য়াবা চা গ্লাস অমদা লুপা তরা নৎত্রবদি থকপদা মওং মরিল তাদ্রবা মতমসিদা পেঞ্জদবা খুদিংমক লৈঙাক্তা তাইনবসিসু দোষ শোয়দনা পুগদবা মাল্লবনি। মশা মশাগী মপাদা লৈবা নোংজু পন্থা লাক্লবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা ঈচেলফম ওইদৌরিবা দ্রেন অদুদা থাদরক্লিবা ফত্ত-হৌদি ময়ামদুনা ফুনগৎলকপদা শোয়দনা মৌখৎলক্লগদবা ঈশিংগী ঈচেল নোংমা ফাদোকসু তৌদবা য়াদবা ইশাগী ইথৌনি খন্দুনা য়োৎপাক অমা পায়দুনা কোখৎপগী ৱাখল য়াওদবা, মসিদসু লৈঙাক্তা তাইনবা য়াওদবা নত্তে। ইশা ইশানা থবকসি তৌরগা তুংদা করি ওইরকপা, মসিদা ফংগদৌরিবা মহয়না কয়াম কান্নবা মাঙজৌননা খঙজিনবগী মথৌ তারবনি। থোক্লবা অমা থোক্লসনু হায়বগী ৱাখলদা শিংলি-নাওরি থোকপমখৈ হুমাং তানা তৌদবা য়াদবা ইথৌনি খন্দুনা তৌবা মসিসু কান্নরোইদবা ওইরবদি তৌরুদবনা ফরবনি। পৈশা লৌখ্রগা থবক হাপ্পীগনি হায়না থাজবা থন্বীরল্লগা অতিয়াদা খঙহৌদনা থোরকপা মচু তরেৎকী অমত্তা ওইনা থোকপা চুমথাঙ ওইদৌরিব্রা করিনো অমা লৈরবনি।

থবক হাপ্পীগনি হায়দুনা পৈশা লৌখিবা কেন্দ্রদুগী মীহুৎ, তৌবা ঙম্বা ওজা সাহেব পূম্নমক মতম অমদা থৌনা লৈনা মকন্থি থোকপমখৈ চেন চোঙলম্বা পূম্নমক চেক-মুক লাউদনা উ তিংবগুম কেক্রু লোৎপদৌনা মচি অমদা লৈরমদৌরিবনি। মমাঙগী লৈঙাক্লা থবক হাপ্পা মতমদা করি তৌখি। হায়রুদনা করিবু কান্নগনি? চিন থোকপা য়াদনা থম্মোয়-থম্মোয়দা অদুমক থম্নবনা মশীং য়াম্বা ঙাক্তনি। মহাবলিদা লৈবা য়োংনা চৎফম লৈতবদা গতি লৈত্রদুনা উরিদা কেজবা মতৌ অসিগুম্না চেক্তা চেকশিল্লক্লগা লাদা তাই হায়বগুম বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক মসিদা হেক্তমক তাইনরকপা মসিগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা করিগুম্বা অমদি পুথোকপা ফরবনি।

মতমসিগী হৱা নুংশিৎসিদা লৈঙাক অমনা অশোয় অঙাম য়াওদনা মীওই লাক্ষ-লাক্ষ কয়াগী অপেনবা অপাম্বা ফংনবগীদমক হিমালয় চীংগী মখোঙদা কুম্বী কালেন খাক্তবমখৈ লাই নীংদুনা লৈরিবা শক্তি লৈরবা সাধু বাবা মহাক্তগী থোকউ হায়না হায়বদা অদুমক থোকপা করিগুম্বা পোৎশক অমা তঙাইফদনা লৌরুবগী তানফম অমা লাক্লবনি। করিগুম্বদা অচুম্বা ওইরবদি পেন্দবা মীওই অমতা থিবা খঙলোইদৌরিবনি। ময়াম অমা থাবগী থৌদৌনি হায়দৌরিবনি। তৌবতবু রমায়নগী ৱারীদা শ্রী হনুমান্না হঙ্গাম মরূ অমগী মনুংদা পিশক পীকশন্না লৈবগী ৱারীসু অদুমক লৈরিবসিনি। ৱাখলনা লাম্বদা ফংদবা য়াওদ্রবসু ৱাখলদুনদি থাজবা অদুমক ওইরিবনি। ৱাখলদা খল্লিবা ময়ামদু থবক ওইনা পাঙথোকপদি হন্দক্কী মপোক্কী ঙমদবা কয়া য়াওদৌরিবনি। চীন্না ঙাঙবদি খুদক্তা সমুদ্র লানবদা করিসু অৱা অনা নংলোইদৌরিবনি। য়াম্না লুরিবদি থবক ওইনা পাঙথোকপদা থেংনগদৌরিবা ময়ামদুনি। মোন্দ্রং ওইগেরা ওইরোইরা, তৌরক্কদৌরিবা থবক অদুনা শোয়দনা খঙলগদবনি। মতম ঙাইনা ঙাইনা য়েংবা নৎতনা পংহায় হায়জিল্লুবসু য়াবা নত্তে। চীন কাঙজৈগী ৱাসিদি শ্বরসিনা হোল্লিবমখৈ অদুমক য়াদবা লৈত্রবনি। পূম্নমক্কী য়াইফনবা কনানসু করিসু হায়রক্তনবগীদমক্তদি থবকসিনা খ্বাইদগী মরু ওইরবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
***খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***

## ব্লোকেদ হায়বা ৱাহৈসি কাউবা ওইরসনু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***খুন্নাই*** অমা শান্তি লৈনা চাওখৎনা হিংগে হায়বা তারবদি অহানবদা মরুওইরিবসি ইশা-ইশানা ৱাখল তাবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমকসু ৱাখল তাবা চঙই। মীপুম খুদিংমক্লা হৌজিক ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোকখ্রে হায়দুনা হরাউরিবসি খরা লৈরগা অমুক ময়োল চোঙলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরমদি মখোংদা ককথৎপা খক্তনি মরু য়াওনা ফুকপদি নত্তে হায়জনীংই।

লাই লৈবাক্তগী লাই লাক্তুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরবা ফাওবা ৱারবা লমদমনি হায়নরিবনি অদুনা ফনা ফবা লৈঙাক লাক্লবসু ইকনমিক ব্লোকেদতি পুরা থিংবা ঙল্লোই। মরমদি অঙাং ফত্তবগী নিঙাইনি ঙাইহাক ফরবসু অমুক হেক্তা হৌরক্কনি। মমাঙদসু তৌখিবগুম তোংজৈ মরিলদা শামু লিৎহল্লু হায়বা নিঙাইদুমক চপ মান্ননা অদুম তৌরক্কনি অদুনা অনৌবা লৈঙাক্লা হৌজিক্তগী পোরম খঙনা থবক পায়খৎপা তাই হায়জনীংই। মতাংসিদা পঞ্জনীংলিবদি লমদম অসিগী মীওইশিংনা ৱাখল তাদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বা তাদুনা তোক্কনি।

হন্দক তেল্লবা মতম খরসিদা অনৌবা লৈঙাক লাক্লগা অনৌবা অওনবা ময়াম অমা পুরকপসিদি মীচম মীয়াম ঐখোয়গী থম্মোয়দা অসুক্কী মতিক হরাউবা ফাওজে অমসুং নুংঙাইজে। অদুগা লৈঙাক্লসু ঐখোয়গী অৱাৎ অপা ময়াম য়েংশিন্দুনা মীয়ামগী অপাম্বদু পীবিরি। মরুওইনা চীংগী ইচিন ইনাওশিংগা তম্পাক্কী মীয়ামগা নক্লবা মরী থম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি অমসুং চীংগী মীওইশিংবু ৱাখল তাহন্নবা লৈজবি থাক্তা হোৎনরি।

মসিনি অনৌবা লৈঙাক্কী খ্বাইদগী ফবা তোপ তোপ্পা খোঙথাং হায়বদু। হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা টুরিজম দিপার্টমেন্টগী খুথাংদা নুমিৎ মঙানি চুপ্না সিরুই লিলি ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবসি মণিপুর টুরিজম চাওখৎহনবতা নত্তনা চীংগা তমগা মচিন মনাও ওইবগী মরী হেন্না নকশিন্নহল্লি।

উখ্রুলবু মণিপুরগী টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা খল্লিবসি খ্বাইদগী অচুম্বা খোঙথাংনি হায়জনীংই। মরমদি টুরিজম অমা চাওখৎপদা চঙবা মগুণ অদু চপ চানা লৈবা মফমনি। উখ্রুলদা খুন্দারিবা তাঙ্খুল হায়রিবা ফুরুপসি থকসি-খাসি খঙবা, মিকৌ মিচান ফজবা অমদি মশা নানবা ফুরুপ অমনি হায়জনীংই।

মখোয়না সিরুই লিলিবু থৱায়দগী হেন্না লুম্না খঞ্জে। ষ্টেট অমা নৎত্রগা মফম অমা টুরিজম চাওখৎহনগে হায়বা তারবদি অহানবদা লমদম অদুদা লৈরিবা মীশিংনা লমদম অদুগী মহৌশাগী মরী লৈনবশিং মমুৎ তানা খঙবা তাই, লমদম অদুগী তোপ তোপ্পা ময়ামগা মান্নদবা পোথোকশিং ময়েক শেংনা খঙহনবা তাই, লমদম অদুগী কলচর, ফিজেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ শাঙাঙ অসিনচিংবনা লমকোয়বশিংবু পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনবা তাই। শম্ন া হায়রবদা লমদম অদুদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক লৈবাক মচা তাবা তাই, থক-খা খঙনা ৱা ঙাঙবা তাই, অনৌবা মী উবদা থকসি-খাসিগা লোয়ননা তরাম্না ওকপা তাই, মীখোন নাওখোন ফবা তাই, মীগী মতেং পাঙবা হৈবা তাই, ফত্তবা ৱাখল অমদি হুরান চিন্থিগী থবক থাদোকপা তাই, রেন্সমগী মমি তাহন্দবা তাই অসিনচিংবা।

হায়রিবশিং অসিনা টুরিজম মার্কেট ওইরগা লমকোয়বশিংদা পোৎ য়োনগদৌরিবনি অদুনা ঐখোয়না মখোয়বু কনা কনানো, করি পাম্বনো অমদি মখোয়গী পূক্নিং করম হায়না চিংশিনগদগে হায়বা মমুৎ তানা খঙবা মথৌ তাই। লমকোয়বশিংনা খ্বাইদগী পাম্বা মরুওইবা দিমান্দশিংদি অহানবদা লমদমদুগী নুংঙাইবা হৱা নুংশিৎ হায়বদি প্লিজিং ৱেদর, অনীশুবদা পূক্নিং হুনিংঙাই ওইবা মহৌশাগী ফজবা, অহুমশুবদা মহৌশাগী ওইবা ফজবা মফম নৎত্রগা ৱারী নৎত্রগা কলচরেলগী ওইবা মচাকশিং, মরিশুবদা লমদমদুদা লৈরিবা মীশিংদুগী চৎন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, মঙাশুবদা মফমদুগী লো এন্দ ওর্দর হায়বদি মফমদু শান্তি ওইনা হিংবা অমসুং অরোইবদা নুংঙাইবা লৈফম চাফম অমদি নুংঙাইবা অমদি অরাইবা চখোক চৎশিনগী পাম্বৈ লৈবা অসিনচিংবনি। হায়রিবা গুণশিং অসি চপ চানা লৈরবদি মফমদু টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইহনবদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়জনীংই।

অরোইবদা এদিটরগী পূক্নিং চিংশিন্দুনা হায়জনীংবদি অনৌবা লৈঙাক্লা চীংদা খুন্দারিবা ইচিন ইনাও ওইবশিংগী অপাম্বা খুদিংমক পীবিদুনা ৱাখল তামিন্নবগী খোঙথাং অসিদা হান্নগী অরিবা ৱাখল থাদোক্তুনা অনৌবা নুংঙাইবা ৱাখল খন্দুনা ৱাখল তামিন্নসি অমসুং পূন্না হিংমিন্নসি হায়জনীংই।

চীংদা খুন্দারিবা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তাবা মীওই অমমম ওইদুনা ব্লোকেদ হায়বা ৱাহৈসি কাউবা ওইরসনু হায়না তাইবঙ মপূগী মফমদা ঐখোয় পূন্না থৌনিজসি।

করিগুম্বা মীওই খুজোক খরখক্কী ৱাখলদা নৎত্রগা থৌইনশিন্দা ইকনমিক ব্লোকেদ হায়বা ৱাহৈদু নীংশিংলকপা থোক্লবদি অনৌবা লৈঙাক্লা মতিক চানা থেংনদুনা ফংহনফম থোকপা চৈরাক ফংহনবা মথৌ তাই হায়জনীংই।

***অদোমগী - লৈমপোকপম জেকেন্দ্র সিংহ***
***লাইফম খুনৌ ইম্ফাল ইষ্ট***

## মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা লিংলম্বা কলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা অনৌবা লৈঙাক্কী মিৎয়েং

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মণিপুর*** অসি আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক য়াম্না খুনবা লৈবাকনি, ইন্দিয়াগী কলচরেল পৱার হাওসনি অমদি কেপিটেল হায়নরিবসি ময়েক শেংনা উৎননবা হায়দুনা মণিপুর কলচরেল পোলিসি অমা শেমখিবদুগী খ্বাইদগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) অসি মণিপুর মীয়াম্না অমত্তা ওইনা য়ানখিবা অৱাংবা থাক্কী মহৈকোলনি।

আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা মালেমগী থাক্তা কয়াম অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙমজরবগে হায়বদু নৈননবা অমদি অহেনবা চাওখৎ থৌরাং কয়া য়াৎননবা, ভিজন দোক্যুমেন্ট কয়া পুথোক্লনবা লিংখৎখিবা য়ুনিভর্সিটি অমসু ওইরি।

ইরমদমসিগী চীংমী তম্মী য়েলহৌ ফুরুপ কয়াগী য়াল্লবা মখল মথেলগী কলচরশিং অসি ফজনা নৈনদুনা অমদি থিজিন হুমজিন্দুনা মালেমগী মীয়ামদা কাঙলোন চুম্না অমদি খুনশিংনা উৎথোকপা ঙমজরবদি মালেমগী থাক্তা কলচরেল ইন্দষ্ট্রি খ্বাইদগী চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইগনি হায়বগী পান্দমদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসি থবক তৌবা হৌখিবনি। কলচরেল রিভোলুসন অমা পুরক্তুনা অমদি এপ্লাইদ সাইন্সগুম এপ্লাইদ কলচরগী নোলেজ কয়া পুথোক্তুনা লমদম অসিদা নুংশি চান্নবা, তংদু লৈতাবা, শেনমিৎলোন ফবা অমদি চাওখৎপা পুরকপদা এম য়ু সীনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌগদবদু লাইবক থিবদি পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অকনবা মিৎয়েং চঙবীদবনা য়াম্না ফীভম চাদনা লৈরি।

লৈবাক্কী শেল থুমগী ফীভম ফনা ফৎত্রবসু মসিগুম্বা য়ুনিভর্সিটি অসিদি তঙাইফদনা লিংখৎতবা য়াদে হায়দুনা মমাঙদা পাল্লম্বা গভর্ণমেন্টনা হৌদোক্লম্বদু হন্দক্কী অনৌবা মণিপুর লৈঙাক অসিনা করি খল্লিবনো খঙদে, য়ুনিভর্সিটি অমগী লৈফম থোকপা এদমিনিষ্ট্রেসন অদু কায়দনা চথবা ঙম্নবা মচাক মচলশিংদু অমত্তা পীবিদদুনা ফনা কুইরে থল্লক্লিবা। কোয়লাস মথক্তা পুল্লগা থম্বা ষণগুম্না য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টাফশিং থা কয়াগী মমাঙদগী লাক্ল দুনা লাক্লি।

মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা লিংলম্বনি হায়দুনা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসিবু মীরাইফম থোকপ্রা? ফজনসু চৎনদবা কলচরেল পোলিসি অমা শেমজিল্লগা মমিংতগী ওইবা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অমা অদুক লিংখৎচরগা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থবক য়াম্না তৌবা শাবা মণিপুর লৈঙাক্কী নমথাক কয়াসি লৈবাক মীয়াম্না তরাই তরাইনা লৌফম থোক্তে।

জগোয়-ঈশৈ, থাঙ-তানচিংবা খরা মীরমদা উৎলুরগা অমদি মদুদা মীনা খরা অদুক থাগৎলক্লগা শোমদনা ঐখোয়না আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক খুল্লি হায়দুনা পংহাদা হরাউদুনা লৈথোকপগী মতমদু নৎত্রে। ইন্দিয়াদা অসিগুম্বা মখলগী খ্বাইদগী অহানবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইবনা নিংথিনা শেম শারবা ভিজন দোক্যুমেন্ট কয়া য়াওনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টদা তক্লরবদি সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ফাওবা ওইবা য়াগদৌরিবা মহৈলোইশঙ অসি মীরাইরবদি ঐখোয় অশিংবা খক ওইরোই।

লমদমসিগী মী ময়াম অমবু হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা থবক কয়া পীদুনা শেনমিৎলোনগী অফবা ফীভম অমা পুরক্লবগী ওইথোকপা য়াবা লৈজরবসু আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেন্টশিংগা এম য়ু সীগা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বা ওইগনি হায়বসি অচেৎপা থাজবনি। লমদমসিগী মীংচৎ পুরক্লবা থৱায় য়াওনা কখোকপা অমগা লোয়ননা চেঞ্জ চোঙজরিবা আর্টিষ্ট, এক্টিভিষ্ট, স্কোলর অসি য়োকখৎনবা মতিক চাবা থৌরাংশিং চুম্না লৌখৎহৌদ্রবদি মখোয়শিং অদু মতম কয়াম শাংনা কখোক্ল রকখিগনি হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

ঐখোয় ঐখোয়গী ফুরুপকী শক্তম, খুন্নাইগী মতিং অপূনবগী লিচিং, সোসিএল দিসিপ্লিন, কেরেক্টর, ইকনমি শাগৎফম অমদি ঙাজফম ওইবতা নত্তনা কলচরগী মহৈ তম্ফমশঙ অসিনা লৌগদবা থৌদাংসি য়েলহৌ ফুরুপশিংগী ত্রেদিসনল, সোসিএল অমসুং কলচরেল ভেল্যুস অমদি ফিলোসোফিসনচিংবা কয়াসু নৈনফম ওইরক্কদৌরিবনি। য়ুনিভর্সিটি অসি লিংখৎলমদাইদদি মাগী মাগী দিপার্টমেন্ট হাংহৌননবা হোৎনবদা মকন্থি ফুদোক্লখিবা মীওইশিং, লুপশিং অদু ঙসিদি য়ুনিভর্সিটি অসিনা অৱাফমদা তারবা মতমসিদা কদাই কদাইদা চৎনখ্রবনো খঙদে।

হৌজিক হাংলিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিদা মতিক চাবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং লৈরব্রা, ষ্টেন্দার্দ ওইবা করিকুলম শেম্ব্রা, তাকপী-তম্বীবগী কাঙলোনশিংদু চৎনবা য়াব্রা, দিপার্টমেন্টশিং অদুগী ভিজন দোক্যুমেন্টশিং নৈনরব্রা হায়বনচিংবা কয়াদি নোংমতা য়েংশিল্লম্বগী পাউদি তাবা ফংজদে। ঙসিগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা ফাওবা ঐখোয়গী ত্রেদিসনেল নোলেজশিং অসিনা খুন্নাইসিদা পীরিবা কান্নবশিং অসি ঐখোয়না মীরাইবা চুমলোই। আর্ট এন্দ কলচরদা য়াম্না হৈনজবা অমদি হৈথোই শিংথোইজবা ঐখোয়গী য়েলহৌ ফুরুপশিং অসিগীদমক এম য়ু সীনা তৌফম থোকপা থবকশিং অদু মপূং ফানা চথবা ঙমজনবা পীফম থোকপা চৈঙাকশিং অদু লৈঙাক্লা মতম চানা চানা পীফম থোকপনি। ক্রিএটিভ আইদিয়া কয়া কয়া পুথোকপা ঙম্বা কলচরগী এক্টিভিষ্ট, আর্টিষ্ট, স্কোলরনচিংবা মীওইশিং য়ুনিভর্সিটি অসিদগী থোরক্কদৌরিবনি হায়বসি লৈঙাকনা উবিরমদবসি লাইবক য়াম্না থিবনি। ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা ইচাক-ইরলবু মীরাইবা অমদি অহল-লমনশিংগী থৌজাল ফংদবা মীরোল অসিগী মরাইবক অসি করম থোক্লগদবা হায়বা ঙমদে।

***অদোমগী - ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ***